# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 22-03-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী মেথাম ফেতামাইন কিলোগ্রাম ১৩ অমসুং খুৎশু খুৎলায় খরা ফারে।

২) ত্রিপুরাগী মুখ্য মন্ত্রি ডাঃ মনিক সাহানা রাজ্য অদুদা অথুবা মতমদা হেলথ য়ুনিভর্সিতি অমা লিংখৎলগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

অমসুং

৩) ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা হায়রি- লৈবাক অসিবু ঙাক শেন্নবগীদমক্তা মীৎশিং-নাশিংবা অমদি শেম শাদুনা লৈরবা নাগরিকশিংনা ঙাকলৌ পীবা মপাঙ্গল কনবা লান্মী অমা শেমগৎপগী তঙাইফদবা লৈ।

------

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ফয়েং মমাং লৈকাইদগী হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল অমা, ষ্টন সেল মরি, তিয়ার স্মোক সেল ৮ অমদি চে চাং খরা ফাগৎলে।

মণিপুর পুলিসকী চেরোল অমনা হায়- তেংনৌপল জিলাগী মোরে পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা চবাংফাই এরিয়াদা থি হুম্বগী থবক চথবদা য়ুম অমদগী মেথাম ফেতামাইন কিলোগ্রাম ১৩ অমসুং লুপা লাখ অনি ফংবা ঙমলে।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা মীয়ামদগী নম হাদুনা শেল খায়বা অমদি আইন কায়না থবক তৌবশিংগী মথক্তা লেপ্পা লৈতনা ওপরেসন চথখরি। মসিগী মনুং চন্না ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ইরিলবুং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কোংবা লাইশ্রম লৈকাইদগী কে.সি.পি. (পি.দব্লিউ.জি)কী কাদর অমা ফারে।

এআর (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্স অমসুং মীয়ামগী মরক্তা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবগী পান্দমদা অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা তোঙান তোঙানবা খুলশিংগী লুচিংবশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নবগী থবক লেপ্তুনা চথখরি।

অসাম রাইফলসকী পি.আর.ওনা চেরোল অমদা হায়- লিলোং এরিয়াগী মুস্লিম লুচিংবশিং, শিংজমৈগী মৈরা পায়বীশিং, ওইনামগী ৱার্দ মেম্বরশিং অমদি তোঙান তোঙানবা খুলশিংগী ভিলেজ চীফশিংগা উন্নদুনা ৱারা শান্নখ্রে।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়- চুরাচান্দপুর জিলাদা ঙরাং পাঙথোকপা ইদুল ফিতরগী কুম্মোদা অসাম রাইফলসকী ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি। অমরোমদা, তেংনৌপল জিলাগী বোংয়াং ভিলেজদা লম্বীগী খুদোংথিবা নংলবা মীওই অমগী পুন্সি অসাম রাইফলসকী কাংবুনা কনখ্রে। এক্সিদেন্ট থোক্লে হায়বগী পাউ ফংবদগী অসাম রাইফলসকী কাংবু অমা মফম অদুদা খুদক্তা চংশিন দুনা শোক্লবা মীওই অদু মফম অদুদগী লৌখৎতুনা অনা লায়েং চথখি হায়রি।

ওরেল (এল)ঃ নেসনেল ওরেল হেলথ প্রোগ্রাম, আই.দি.এ মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ অমসুং টিম 195 বি.পি.এমনা পুন্না খুৎশমদুনা ৱার্ল্ড ওরেল হেলথ মন্থকা মরী লৈননা কিলোমিতর ১০ অমসুং কিলোমিতর ৩ গী ওইবা লমশাং লমজেল অমা ঙসি অয়ুক কংলাদগী লমথারগনি।

রাজ্যগী হকশেল বিভাগকী দাইরেক্তর ডাঃ এন. হেমন্তকুমারনা লমজেল অসি লমথাগনি। লমজেল অসি ইম্ফালগী কাংলাগী নোংচুপ থংবা গেটতগী লমথারগা ঘরি ফাওবা চেল্লগা ইম্ফালগী বি.টি. পার্কতা থুংলগনি। ওরেল হেলথ মন্থ অসিগী কুমশি চহিগী থিমদি- হেপ্পি মাউথ ইজ এ হেপ্পি লাইফ হায়বসিনি।

নোং (এল)ঃ  ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- রাজ্য অসিগী মফম অয়াম্বদা ঙসি মখা তানা নোং চুখিগনি। তমেংলোং, সেনাপতি, উখ্রুল, কামজোং, তেংনৌপল অমসুং চান্দেল জিলাশিংদা হয়েং অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুরবা য়াই।

অমরোমদা, রাজ্যগী ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জ দাইরেক্তোরেটকী ৱেদর রিপোটনা হায়- ঙরাংগী ওইনা চুরাচান্দপুর জিলাদা মিলিমিতর ১৫.৬ য়ৌনা খ্বাইদগী য়ামা নোং চুখি। বিষ্ণুপুর জিলাদা নোংজ্গী চাং মিলিমিতর ১১.৮ য়ৌখি। ইম্ফাল ৱেষ্টতা মিলিমিতর ৭, ইম্ফাল ইষ্টতা মিলিমিতর ৪, সেনাপতি অমসুং তমেংলোংদা মিলিমিতর ৫ গী মথক্তা নোং চুখি।

মরক অসিদা, ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা হায়রি- নোংচুপ বেঙ্গলগী সব-হিমালায়ান লমদমশিং অমদি সিক্কিমদা ঙসি নোংলৈ নুংশিৎ অমদি অখাক অরাউ য়াওনা নোং চুগনি। নাগালেন্দ, মিজোরম, ত্রিপুরা, নোংচুপ থংবা রাজস্থান অমসুং উরিষাদসু ফিভম অসি মায়োকগনি হায়রি।

কাং (এল)ঃ  য়াইস্কুল কাংশঙদা চখরিবা অহুমসুবা ককচিংতাবম কুঞ্জবী শর্ম্মা অমসুং কুমারি কে. অমিতা দেবী মেমোরিয়েল লিগ কম নোক আউট কেন্দ্রৱাইজ কাং তুরনামেন্টকী ঙরাং শান্নখিবা মেটচতা থাংমৈবন্দ কাংখুৎনা এস.এস.য়ু কাংখুৎপু পাঞ্জল ১৫-১১ দা থোইখ্রে।

ত্রিপুরা ঃ  ত্রিপুরাগী মুখ্য মন্ত্রি ডাঃ মনিক সাহানা রাজ্য অদুদা অথুবা মতমদা হেলথ য়ুনিভর্সিতি অমা লিংখৎলগনি হায়না লাউথোকখ্রে। ৱার্ল্ড ওরেল হেলথ ডেগা মরী লৈননা আগরতালাগী পরগ্যা ভবনদা দেন্টেল সার্জন, দেন্টেতেল ওফিসার অমসুং কম্যুনিতি হেলথ ওফিসারশিংগী ত্রেনিং ৱার্কসোপ অমা হৌদোকপগী থৌরমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- সরকার অসিনা অনা লায়েংগী লমদা হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগীদমক্তা থৌরাং কয়া পায়খৎলি। মসিনা রাজ্য অসিগী ৱাংমদা অনা লায়েং চৎপগী খুদোংচাদবা অদু কোকপা ঙমহল্লগনি। স্কিল

দিভলপমেন্টকী মরুওইবশিং পল্লদুনা ডাঃ সাহানা হায়- তোঙান তোঙানবা সেক্তরশিং চাওখৎহন্নবা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মঙলান অদু মঙফাওনহন্নবা রাজ্য সরকারনা থৌরাং কয়া পায়খৎলি। মহাকা হায়- অনৌবা ত্রিপুরা অমা শেমবগীদমক পুন্না হোৎনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈরি।

অমরোমদা, মুখ্য মন্ত্রি মনিক সাহানা হায়রি- স্পেসিয়েল ইন্তেন্সিভ রিভিজন (এস.আই.আর) হৌজিক ফাওবা রাজ্য অসিদা পাঙথোক্ত্রি। অদুবু ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা অথুবা মতমদা গাইদলাইনশিং পীরক্লগনি।

আগরতালাগী ভারত সিংহ য়ুব অৱাসতা পাঙথোকপা বি.জে.পিগী মীফম অমদা মহাকা হায়- সরকার অসিনা এস.আর.আইগী মতাংদা মীয়ামদা নিংথিনা খঙহন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎলে। মসিদা ভোতর অমত্তা চিংখদনবা হোৎনগনি। মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তানা হায়- সরকার অসিনা ইনফ্রাষ্ট্রকচর, টেকোলোজি অমদি গ্রাসরুট ইমপ্লিমেন্টেসন শিজিন্নদুনা লৈঙাক সাসনগী থৌরাং কয়া পায়খৎলে। বি.জে.পি ষ্টেট য়ুনিতনা শিনবা মীফম অদুনা দল অসিবু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবগী মতাংদসু পোরম কয়া য়াৎখি।

রাজনাথ ঃ ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা হায়রি- লৈবাক অসিবু ঙাক শেন্নবগীদমক্তা মীৎশিং-নাশিংবা অমদি শেম শাদুনা লৈরবা নাগরিকশিংনা ঙাকলৌ পীবা মপাঙ্গল কনবা লান্মী অমা শেমগৎপগী তঙাইফদবা লৈ।

উত্তরাখন্দদা লৈবা সৈনিক স্কুলদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুত্থাংদা শরুক য়ারদুনা শ্রী রাজনাথনা হায়-

লানগী মতমদা নেসনেল সেক্যুরিতিনা শেল থুম, দিজিতেল, ইনর্জি অমসুং চীঞ্জাক্কী সেক্তরশিং কোনশিল্লি।

উত্তরাখন্দদা বি.জে.পি সরকার চহি মরি শুরকপগী থৌরম অমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী রাজনাথনা হায়- হৌজিক নোংচুপ এসিয়াদা থোক্লিবা চরাংনবা অসিদা ভারতকী চপ চাবা ফিরেপ লৌরে। থোক্লিবা লান অসিগী মতাংদা ভারতকী ওইবা চপ চাবা ফিরেপ্তি ৱারী শান্নদুনা ৱাথোক অসি লোইশিন্নবা হোৎনগদবনি হায়বসিনি।

সম্মিৎ ঃ  পৱার মন্ত্রি মনোহরলালনা হায়রি- অঙ্গৈং অশাগী খল ঙাকবা হোৎনবদা ঐখোয়না লৌগদবা থৌদাং অমদি শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনবগা পুন্না চৎমিন্নবা য়াই হায়বদু ভারতনা উৎপা ঙমলে।

নিউ দিল্লিদা কার্বো মার্কেটকী মতাংদা পাঙথোকপা ভারত ইলেক্ট্রিসিতি সম্মিৎনা শ্রী মনোহরলালনা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লিচিং মখাদা ভারত অসি অঙ্গৈং অশাগী খল ঙাকবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। মহাকা হায়- ভারতনা লৈবাক অসিগী তুং কোইনা চৎনগদবা কার্বোন মার্কেট ফ্রেমৱার্ক অমা শেম্লি।

এলপিজি ঃ  সরকারনা কম্মর্সিয়েল এল.পি.জিগী অহেনবা চাদা ২০ গী এলোকেসনশিং রাজ্যশিংদা পীননবা অয়াবা পীখ্রে। মসিনা রেষ্টুরেন্ট, দাবা, হোতেল, ইন্দষ্ট্রিয়েল কেন্টিন, দেরি, সবসিদাইজ কেন্টিন অমদি রাজ্য অমদি লোকেল বোদিশিংনা চলাইবা অতৈ মফমশিংসু য়াওরি। হিরম অসিগী মতাংদা পেট্রোল্লিয়ম অমসুং নেচরেল গ্যাস মন্ত্রালয়গী সেক্রেতরি নিরজ মিতলনা রাজ্য পুমমক অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরিশিংগী চীফ সেক্রেতরিশিংদা ইদুনা হায়রিবা এলোকেসন অসি হয়েংদগী চৎনবা হৌনবা খঙহনখ্রে।

ৱারোল অমদা শ্রী মিতলনা হায়- কম্মর্সিয়েল অমসুং ইন্দষ্ট্রিয়েল এল.পি.জি কঞ্জুমরশিংনা ওইল মার্কেতিং কম্পনিশিংদা রেজিষ্টর তৌগদবনি। নোংচুপ এসিয়াদা হৌজিক ওইরিবা উংখৎনবগী ফিভম অসিদা লৈবাক অসিদা পেট্রোল, দিজল অমদি এল.পি.জিগী অৱাৎপা লৈতে হায়না ফোংদোকখ্রে। মসিগীদমক মীয়ামা মীপাইবীদনবসু মহাকা আপীল তৌরি।

মেরা য়ুবা ঃ  সাহিদ দিবসকা মরী লৈননা লৈবাক শিনবা থুংনা চঙ্খগদবা পদা যাত্রা- মেরা য়ুবা ভারত হয়েংদগী পাঙথোক্লগনি। যাত্রা অসিগী হিরমনা মাই ভারত, মাই রেস্পোন্সিবিলিতি হায়বসিনি। মসি লৈবাক অসিগীদমক্তা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা ফিদ্রম ফাইটর সাহিদ ভাগৎ সিংহ, সাহিদ শিবরাম, রাজ গুরু অমসুং সহিদ সুখদেব থাপরগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপা ওইনা

পাঙথোক্কদবনি। কেন্দ্রগী য়ুথ এফ্যারস এন্দ স্পোর্টস মন্ত্রালয়না হায়- মসি নহাশিং পাঙ্গল শক্তি অমদি থৌনা হাপ্তুনা দাইত্বা লৈবা নাগরিক অমমম ওইহন্নবা পান্দমদা পাঙথোকপনি। যাত্রা অসি লৈবাক অসিগী জিলা ৭৬৩ দা পাঙথোক্কনি। মসি হরিয়ানাগী ফরিদাবাদতা মপুং ওইবা থৌরম পাঙথোক্তুনা নহা লিশিং ১০ হেনবনা শরুক য়াগনি। থৌরম অদুদা য়ুথ এফ্যারস অমসুং স্পোর্টসগী রাজ্য মন্ত্রি মন্ত্রি রক্সা খাতসি অমসুং হরিয়ানাগী স্পোর্টস মন্ত্রি গৌরব গৌতম শরুক য়াগনি।

জলশক্তি ঃ জল শক্তি মন্ত্রালয়না শিন্দুনা ৱার্ল্ড ৱাটর ডে কনক্লেভ ২০২৬ লাক্লিবা নিংথৌকপা নুমিৎতা নিউ দিল্লিদা পাঙথোল্লগনি। কেন্দ্রগী জল শক্তি মন্ত্রি সি.আর. পাতিলনা মীফম হৌদোকপগী থৌরমদা শরুক য়াগনি। মীফম অদুদা সরকার অমসুং উদ্যোগকী মকোক থোংবা লুচিংবশিংসু শরুক য়াগনি।

মন্ত্রালয়না হায়- মীফম অসিদা পোলিসি মেক্কর, উদ্যোগকী লুচিংবশিং, একাদমিয়া, ষ্টার্টঅপ, এম.এস.এম.ই অমসুং নহা ওইরিবা ইনোভেতরশিং পুনদুনা টেকোলোজিদা য়ুন্স্ফম ওইবা পান্বে কয়া পুথোক্কনি। মসিদা তোঙান তোঙানবা সেক্তরশিংদগী দেলিগেট ৭০০ হেন্না শরুক য়াগনি।

------